# ৱার্দ নম্বর ১২না অহানবা ইন্টর ৱার্দ খ্রুখুল গ্রাম পঞ্চায়ট ফুটসাল মেন্স টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ০৭ঃ

কান্তো অৱাং লৈকাই দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ( সি এ এল দি ও) অমদি খ্রুখুল গ্রাম পঞ্চায়ট অনীনা পুন্না শিন্দুনা সি এ এল দি ওগী গ্রাউন্দা মমাঙ থাগী তাং ২৪ দগী টিম ১৪ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা অহানবা ইন্টর ৱাদ খ্রুখুল গ্রাম পঞ্চায়ট ফুটসাল ৮ এ–সাইদ মেন্স টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর সেকমাই ৱাদ নম্বর ১২ না ওইখ্রে।

ৱাদ নম্বর ১২ অমদি খ্রুখুল গ্রাম পঞ্চায়ট অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা ৱাদ নম্বর ১২ না খ্রুখুল গ্রাম পঞ্চায়টপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা সি এ এল দি ওগী গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং পেলহনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ৱাদ নম্বর ১২ না অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসিবু মায় পাক্নবা হোৎন্নরক্তুনা খ্রুখুল জিপিবু চপ চন্না শিংন্নরক্তুনা এটেক হেঙ্জিলকখি।

ৱাদ নম্বর ১২ না হোৎন্নবা লেপ্তুনা শান্নবগী মহৈ ফংদুনা কে ঐচ রোমেননা মিনট ৫২ চৎপদা গোল একাউন্ট হাঙদুনা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাপকৎলকখি।

টিম অসিনা লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরকখি।

মদুগী হোনজমন ফংদুনা কে ঐচ রোমেনা মিনট ৬৭ চৎপদা খ্রুখুল জিপিগী গোল কিপ্পরবু তুংওইন্নরমলগা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিফেন্দর,তোপ স্কোলর অমদি বেষ্ট দিসিপ্রিন প্লেয়রনা ৱাদ নম্বর ১২ গী এম ইতোমচা,কে ঐচ রোমেন অমদি আই লাইঙমনা তাখি। অদুগা বেষ্ট গোল কিপ্পর অমদি বেষ্ট প্লেয়রনা খ্রুখুল জি পিগী নাওচা অমদি মিকিনা তাখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা সেকমাই ৱাদ নম্বর ১২ দা লুপা লিশিং ১৫,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা খ্রুখুল জি পিদা লুপা লিশিং ১০,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি থৌরম মপুশিংনা খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা লাইরেনকাবী কাদাঙবম জি পিগী প্রধান এলাংবম প্রেমকুমারনা চীফ গেষ্ট,খ্রুখুল জি পিগী প্রধান ইরুংবম সান্তানা প্রসিদেন্ট অমদি খ্রুখুল গি পিগী উপ–প্রধান য়ুম্লেবম মংলেমতোম্বী,পঞ্চায়ট সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম জয়ারানি,ৱাদ নম্বর ১ গী মেম্বর হৈখাম বসন্তা,ৱাদ নম্বর ২গী মেম্বর ঙাংবম পুনিমাশি,ৱাদ নম্বর ৩গী মেম্বর হৈখাম প্রেমকুমার অমদি অতৈ ৱাদ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

# অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ এ২ পার্টসোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৭ঃ

মণিপুর ইমাগী চাঙদম্নাফম ওইবা নচাশিং (মাইচোন) চরাংপাট মমাঙ লৈকাইনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২৯ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোকনা খাইদোক্তুনা চরাংপাট মমাঙ লৈকাই পোলো গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ ৭–এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচতা এ২ পার্টসোইনা দেন্নি এফ সিবু তোচ ওইনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌদুনা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীনা অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল ২–২ মাননা লৈবদগী তোচ তৌদুনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিংগী দেন্নি এফ সি হৈরোক্লা এ ২ পার্টসোইবু লাকশিন্না শান্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মিনট ১১ চৎপদা দেন্নি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ গোপিনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

এ ২ পাটসোইনা শোখরিবা গোল অদু হাল্ফ মমাঙদা হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু ঙমদবদগী গোল শোখনা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এ ২ পার্টসোইনা এটেক হেঙ্জিলক্তুনা মিনট ১৩ গী মনুংদা গোল ২ হন্দোকখি। গোলশিং অদু মিনট ৩৫ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৭ চাউবনা হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

অতোপ্পা টিম অসিগী গোল দুসু চাউবনা মিনট ৪৮ চৎপদা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা চন্দুনা ১–২ দা লৈখি। থংন্নবা মিনট ৪৯ দা দেন্নি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৫কমান্দোনা গোল ১ চন্দুনা ২–২ দা মান্না লৈবদগী তোচনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌখি।

# বি এস য়ু (এ) অমদি ও এফ এ ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ঃ

ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক কাকচিংনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২৬ তগী ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ৬শুবা লল্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ভিলেজ ৱাইস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা বি এস য়ু (এ) নোংপোক কাকচিং অমদি ও এফ এ পুংদোংবমগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা ও এফ এ পুংদোংবমনা ই য়ু এস সি তেলৌবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পারিথোই অমদি বিনোটখনানা গোল ২ অদুগা অনীশুবা হাল্ফকী অতোপ্পা গোল অমাদুনা পোইরৈতোননা চনখি।

টুনামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি হৌরকপদগী ও এফ এনা বোল হেন্না পায়রগা ই য়ু এস সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিন্খি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচকী অহৌবা মিনট ৩ দা ও এফ এগী জর্সি নম্বর ২ পারিথোইনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোখরিবা ই য়ু এস সিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা ও এফ এগী গোল কিপ্পরবু কয়ারক হন্না চায়েংতৌখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

গোল মাঙজিল থারিবা ও এফ এনা অহানবা হাল্ফকী লোয়রমদাই মিনটশিংদা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরক্তুনা ই য়ু এস সিগী দিফেন্দরশিংবু মথৌ চিলহনখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৩০ চৎপদা ও এফ এগী জর্সি নম্বর ১২ বিনোটখনানা অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা ও এফ এনা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ই য়ু এস সি তেলৌনা অনৌবা লাংলোন শিন্নরক্তুনা শোখরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা ও এফ এগী মায়কৈদা এটেক হেঙ্জিলকখি।

অদুবু ও এফ এগী দিফেন্দরশিংনা মথৌ খংনা শান্দুনা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা গোলদা ওন্থোকহনখিদে।

ও এফ এনা মিনট লোয়রমদাইদা অমুক য়াংনা শান্দুনা মেটচ অসি মায়োন অমদা লাক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরক্তুনা ই য়ু এস সিগী গোল কিমপ্পরবু মথৌ চিলহনখি।

মেটচকী মিনট ৬০ চৎপদা ও এফ এনা চথরকপা এটেক অমদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ পোইরৈতোননা ই য়ু এস সিগী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা টিমগী অহুমশুবা গোল চনল্লগা মায় পাকবগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।






# রেঞ্জ কোহিমানা ইন্টর রেঞ্জ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ০৭ঃ

জি সি, সি আর পি এফ লাংজিংনা শিন্দুনা ইন্টর রেঞ্জ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ওফ নোর্থ ইষ্ট জোন সি আর পি এফ থা অসিগী ৬ তগী গ্রুপ সেন্টর লাংজিং ইম্ফালদা শান্নবা হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর রেঞ্জ কোহিমানা ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সি আর পি এফ কী রেঞ্জ টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ইন্টর রেঞ্জ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রেঞ্জ কোহিমানা রেঞ্জ ইম্ফালবু য়াম লাকচনা ৬২–২০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা মণিপুর অমদি নগালেন্দ সেক্টর,সি আর পি এফগী রাজেসকুমার আই পি এস,আই জিনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা আই লোকেন্দ্রো সিংহ,দি আই জি, জি সি,সি আর পি এফ ইম্ফাল অমদি অতৈ সেনিয়ার ওফিসার,সুবোরদিনেট ওফিসার অমদি সি আর পি এফ জৱানশিংসু শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা রেঞ্জ কোহিমা অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা রেঞ্জ ইম্ফালদা থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর অমদি নগালেন্দ সেক্টর,সি আর পি এফগী রাজেসকুমার আই পি এস,আই জি অমদি আই লোকেন্দ্রো সিংহ,দি আই জি, জি সি,সি আর পি এফ ইম্ফালনা ট্রোফি অমদি মেদলশিং টিমশিংদা খুৎশিন্নখি।

নিংশিংবা য়াই মদুদি টুর্নামেন্ট অসি সি আর পি এফগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা টিমশিংনা শরুক য়াখি।

টিমশিং অদুদি ইম্ফাল রেঞ্জ,কোহিমা রেঞ্জ,খাটখটি রেঞ্জ,গুৱাহটি রেঞ্জ,বোনগাইগোন রেঞ্জ,দিবুগর রেঞ্জ,অগরতলা রেঞ্জ অমদি শিলচর রেঞ্জনি।

# অনীশুবা কে কে এ দি এ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৭ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খেলাখোং খোং অহনবী দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন খেলাখোংনা শিন্দুনা ঙসিদগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা খেলাখোং মমাং লৈকাইদা অনীশুবা ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মাইবমগী সোসিয়েল ৱাকর ৱাংজম শমজাই,মাইবম উচিৱা জি পিগী উর্প প্রধান এম দি অব্দুল লাটিফ,খেলাখোংগী সোসিয়েল ৱাকর এম দি রাজুখান,উচিৱা ৱাদ নম্বর ১০গী মেম্বর এম দি মাজিবুর রাহমন,খেলাখোং ৱাদ নম্বর ৯ গী মেম্বর এম দি খোমৈ,খেলাখোং ৱাদ নম্বর ৮ গী মেম্বর এম দি অব্দুল নুর অমদি সোসিয়েল ৱাকর অব্দুল শলামনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎত্তা শান্নখিবা মেটচতা এস ৱাই দি সি শম্থেলনা য়ু এস দব্লিউ সি উচিৱাবু সেট ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এস ৱাই দি সিনা পোইন্ট ২৩–২৫,২৫–১৫,১৯–২৫,২৫–১৭,১৫–১১ স্কোর তৌখি।

হায়েংগী অহানবা মেটচতা আর ই দি ও ইরোং অমদি এল সি এল লৈফ্রাকপমগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতনা য়ু এস দব্লিউ সি অমদি এম আই কে ঐচ ৱাই এগা শান্নগনি।

# ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৭ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা উচিৱা ষ্টুদেন্ট ৱেলফিয়ার ক্লব (য়ু এস দব্লিউ সি) উচিৱানা শিন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১ দগী টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা ২ শুবা ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগ ২০১৯গী ফাইনেলদা য়ু সি এল অমদি এম আই কে ঐচ ৱাই এগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ু সি এলনা ঐচ ভি এবু সেট ৩–০ (৩২–৩০,২–২১,২৫–১৮)দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা এম আই কে ঐচ ৱাই এনা এস ৱাই দি সিবু সেট ৩–০ (২৫–২২,২৫–১৯,২৫–২২) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com